**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা হায়রি- সরকারগী মাইকৈদগী অৰাৎ অপা কয়া মতেং পাংলবসু ইশাগী যুমদা হঞ্জিনবা য়াদবা হায়বসিদগী হেন্না অৰাবা মীওইবা খুনাইদা লৈরোই।

২) মুখ্য মন্ত্রি অমসুং গৃহ মন্ত্রিনা রিমস অমদি জেনিমস হোস্পিতালদা চত্তুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা শোক্লবা মীওইশিংগা উন্নখ্রে।

৩) রাজ্যগী হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেসনগী দাইরেক্তর কে. দেবদত্ত শর্ম্মনা হায়রি- মণিপুর মখানা দিভলপমেন্ট স্কিমগী মখাদা থাংজিং থারিবশিং অমসুং থানিংবশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীরি।

৪) হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলসকী দাইরেক্তর এলাংবম জিতেন্না হায়রি- রাজ্য অসিদা পুথোক্লিবা হেন্দলুম, হেন্দিক্রাফট অমসুং টেক্সতাইলসকী পোত্থোকশিংগীদমক সরকারগী ওইবা এক্সপোর্ট হব অমা শেমবা থৌরাং লৈরে।

অমসুং

৫) ইলেক্সন কম্মিসন্না মণিপুর য়াওনা রাজ্য ১৬ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৩ দা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন ফেজ টু তাঙ্কক নাহনা পাঙথোকবা লাউথোকখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ   সরকারগী মাইকৈদগী অৱাৎ অপা কয়া মেনশিন্দুনা মতেং পাংলবসু ইশাগী পোকফম য়ুমদা হঞ্জিনবা ঙমদবা, হঞ্জিনবা য়াদবা হায়বসিদগী হেন্না অৱাবা মীওইবা খুনাইদা লৈরোই হায়না মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা নুংনাংবা ফোংদোরক্লি।

দিপার্টমেন্ট ওফ হয়ার এন্দ টেকিকেল এদুকেসননা শিনদুনা ঙসি ইম্ফাল কলেজদা পাঙথোকখিবা চীফ মিনিস্তরস কলেজ ষ্টুদেন্টস রিহেবিলিটেসন স্কিম-২০২৫-২৬ গী ৱান টাইম গ্রান্ট য়েন্থোকপগী থৌরমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়-রাজ্য অসিদা লৈরিবা আই.দি.পি মহৈরোইশিংগীদমক মহৈ মশিংগী সিলেবস নত্তবদা তোঙানবা স্কিল দিভলপমেন্টকা মরী লৈনবা ত্রেনিংশিং পীনবা থৌরাং লৈরে। মসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা কম্পনি খরগসু মহৈরোইশিংদা স্কিল দিভলপমেন্ট ত্রেনিং পীনবা ৱারী শান্নরি। অথুবা মতমদা হিরম অসিগী মতাংদা থবক পায়খৎলগনি হায়বগী থজবা পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-হৌজিক্তি আই.দি.পি. মহৈরোইশিং অমদি মখোয়না তল্লিবা স্কুল কলেজশিংগী লিষ্ট শুনা লৈরবনিনা
মখোয়শিং অদুগী হৈ শিংবা থিদোক্তুনা মখোয়গীদমক য়াইফনবা থবক থৌরমশিংসু পাঙথোকবা হোৎনগনি।

থৌরম অদুদা চীফ মিনিস্তরস কলেজ ষ্টুদেন্টস রিহেবিলিটেসন স্কিম একাদমিক সেসন ২০২৫-২৬ কী ওইনা আই.দি.পি. মহৈরোই ৭৫৪ দা য়েন্থোকখি। তুংদা মুখ্য মন্ত্রিনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চত্তুনা কেম্প অদুদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নখি।

খেমচান্দ (এল)ঃ  মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালদা চত্তুনা উখ্রুল জিলাদা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা শোক্তুনা লায়েংলিবা মীওই মরিগী ফিভম চত্তুনা য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা অশোকপশিংদা পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা অমদি নিংথিজনা লায়েংবীনবা পাউতাক পীখি। রাজ্য অসিগী নাগরিক খুদিংমক অশোই অঙাম থোকহন্দবা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

মুখ্য মন্ত্রিনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারগী ওফিসতা নৌনা শেমদোক্লবা পাব্লিক রিসেপসন ব্লোক হাংদোকখ্রে। মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক মতমগা চুনরবা পোৎলমশিং য়াওরবা ব্লোক ওফিস অসিনা মীয়ামদা কান্নবা কয়ামরুম পীরগনি।

শ্রী খেমচান্দনা ইম্ফালগী কাংচুপ চীংখোঙদা পাঙথোকপা কম্ম্যুনিতি এসেসট দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামদসু শরুক য়াখি। মীয়ামগী অমদি জাতি কাংলুপশিংগী য়াইফনবা সরকার অসিনা লেপ্পা লৈতনা থবক পায়খৎলি হায়না মহাকা ফোংদোকখি। মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এশিং শরুক য়াখি।

গোবিনদাস (এল)ঃ নোনে জিলাগী জৌজাংতেক অমসুং লোংসাই পার্ট টুদা ঙরাং শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক চত্থরকপদা শোকপদগী জেনিমস হোস্পিতালদা লায়েংলিবা মীওই অনি ঙসি গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা উন্নখ্রে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা উন্নবদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- মণিপুরদা শান্তি, নুংশি চান্নবা অমসুং অমত্তা ওইবগী শক্তম থুগাইবা পাম্বশিংনা ঙরাংগী তমথিবা থৌদোক অদু চত্থখিবনি। ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা থেংনরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না গৃহ মন্ত্রিনা মখা তাখি।

খোঙচৎ অদুদা এম.এল.এশিং অৱাংবৌ নিউমাই, খাসিম ভাসুম, জাংহেমলুং পামৈ অমসুং দিপু গাংমৈ লোয়নখি।

এমপিসিসি (এল)ঃ রাজ্য অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবা থৌদোকশিংদা মীওই মরি লৈখিদবা অমদি কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখিবা থৌদোকশিং এম.পি.সি.সিনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট ওক্রম ইবোবীনা হায়- রাজ্য অসিদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অসি ৱারোইশিন পুরকবগীদমক কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা চপ

চাবা থৌদাং লৌহন্নিংই। ইং ২০২৩ গী মে ৩ দগী হৌরকখিবা ইরাং অসিদা ওইরিবা ফিভমশিং অসি য়েংলুরগদি লো এন্দ ওর্দর লৈতবা রাজ্যগা চপ মান্নরে।

রিজল্ট (এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালগী য়ুবাভানি কম্পিয়ারগীদমক হন্দক পাঙথোকখিবা পরিক্ষাগী ফল লাউথোক্লে। খনগৎলবা কেন্দিদেটশিং অমসুং ৱেটিং লিষ্টতা লৈবা কেন্দিদেটশিংগী মীং অকাশবানি ইম্ফালগী নোতিশ বোর্দ নত্রগা ফেসবুক পেজদগী খঙবা য়াগনি। মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ১৯ লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা অকাশবানি ইম্ফালগী ওফিসতা লাক্কুনা রিপোর্ট তৌরনবা হায়রি।

থাংজিং (এল)ঃ মণিপুর সরকারগী হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেসনগী দাইরেক্তর কে. দেবদত্ত শর্ম্মনা হায়রি- রাজ্য অসিদা মণিপুর মখানা দিভলপমেন্ট স্কিমগী মখাদা থাংজিং থারিবশিং অমসুং থানিংবশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীরি।

মণিপুর মখানা দিভলপমেন্ট এজেন্সি, রাজ্য সরকারগী হোর্তিকলচর অমসুং সোইল কঞ্জার্ভেসন বিভাগনা শিন্দুনা সাইন্তিফিক কলটিভেসন ওফ মখানা ইনহেন্সিং লাইভলিহুদ ওফ ফারমর্স হায়বসিদা ইম্ফালগী খুমন লম্পাল য়ুথ হোষ্টেলদা পাঙথোকখিবা ত্রেনিং কম এৱারনেস প্রোগ্রামগী থৌরমদা শ্রী দেবদত্তনা মখা তানা হায়- স্কিম অসিগী মখাদা পীরিবা খুদোংচাবশিং অসিদা এরিয়া এক্সপানসন, ইন্তিগ্রেতেদ ফার্মিং য়াওনা পোত্থোক হেন্না পুথোকবা অমদি শেন্থোক লৈহন্নবগীদমক খুদোংচাবা কয়া পীরি। স্কিম অসিগীদমক আই.সি.এ.আর, কে.ভি.কে অমসুং সি.এ.য়ু য়াওনা বিভাগ অসিনা ষ্টেকহোল্ডর ওইদুনা থবক তৌমিন্নরি। মখানা দিভলপমেন্ট স্কিমগী মতম অসি চহি ৬ নি।

মহাকা হায়- মখানা দিভলপমেন্ট স্কিম অসি সেন্তর সেক্তর স্কিম ওইনা ভারত সরকারগী লৌউ শিংউ মন্ত্রালয়না ইং ২০২৫-২৬ তা হৌদোক্কুনা ইং ২০২৬-২৭ তগী চৎনবা হৌরে। রাজ্য অসিগী ওইনা মখানাগা মরী লৈননা

পায়খৎকদবা থবক থৌরম খুদিংমক অসি এজেন্সি অসিগী মখাদা ইমপ্লিমেন্ট তৌগনি।

হেন্দলুম (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট এক্সপোর্ট এক্সন প্লান (দি.ই.এ.পি) ফোরমুলেসনগী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল কন্সলটেতিভ ৱার্কসোপ ঙসি পাঙথোকখ্রে। ৱার্কসোপ অদু দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুমস এন্দ টেক্সতাইলস ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা ইম্ফালগী পাউনা কৈথেলদা লৈবা এম.ঐচ.ঐচ.দি.সি লিমিতেদকী হোলদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মণিপুর সরকারগী হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলসকী দাইরেক্তর এলাংবম জিতেন্না হায়- রাজ্য অসিদা মপুং ওইনা হেন্দলুম, হেন্দিক্রাফট অমসুং টেক্সতাইলসকী পুথোক্লিবা পোত্থোকশিং অসিগীদমক সরকারগী ওইবা এক্সপোর্ট হব অমা শেমবা থৌরাং লৈরে। মসিগীদমক রাজ্য অসিদগী এক্সপোর্টর কয়া থোরকপগী তঙাইফদবা লৈরি। মসিগী মথক্তা হেন্দলুপ-হেন্দিক্রাফট অমসুং টেক্সতাইলসকী পোত্থোকশিং পুথোকবা শেম শাবা মীওইশিং চাং ৱাংনা থোক্লকপগী তঙাইফদবা লৈ অমদি শেম শাগদৌরিবা পোত্থোকশিং অদু নিংথিনা ক্বালিতি মেন্টেন তৌরবা রাজ্য অসিগা চুননা মশক থোকা পুথোকপা পোত্থোক ওইহনবগী মরুওইবসু লৈরি। হিরম অসিদা মাংজিল থারবশিং য়াওনা পুমমকা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবনা ২০৩০ দা ভারতনা এক্সপোর্ট তৌনবগীদমক থল্লিবা পান্দম অদুদা মণিপুরসু শরুক য়াবা ঙমগনি।

লেকচর (এল)ঃ সেন্তর ফোর ষ্টদি ওফ সোসিয়েল ইনক্লুজন মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা শিন্দুনা রিছার্স স্কোলারশিংনা ফিল্ড ৱার্ক চৎপদগী হৌরগা দেটা কল্লেক্সনশিং পাব্লিস তৌবা ফাওবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা পান্দমদা নোংমগী ওইবা ওনলাইন অমসুং ওফলাইন লেকচর সেরিজ পাঙথোকখ্রে।

সেন্তর অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা লেকচর সেরিজ অদুদা হাইদ্রবাদ য়ুনিভর্সিতিগী সেন্তর ফোর ষ্টদি ওফ সোসিয়েল ইনক্লুজনগী প্রোফেসার

অজাইহিরিয়ু নিউমাইনা ফ্রোম ফিল্ডৱার্ক টু পাব্লিকেসনঃ পাব্লিসিটিজ এন্দ চেলেঞ্জেস হায়বা হিরমদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

ককচিং (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা জিলা অসিদা আধার এনরোলমেন্ট অমসুং অপদেট তৌবগী কেম্প পাঙথোক্কদৌরিবা অসিদা মহৈরোইশিং, মমা-মপা অমসুং গার্জিয়ানশিংনা শরুক য়াবীনবা আপীল তৌরি। জিলা অসিগী এ.দি.এম ফুরাইলাৎপম ভবানন্দ শর্ম্মনা হায়- মমাংদা বাইওমেত্রিক অপদেসন কেম্প কয়ামরুম পাঙথোকখ্রে। অদুমকপু মদু পুকিং থৌগৎনিঙাই ওইখিদে। আধারগী মরুওইবা অদু য়েংলগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না স্কুলশিংদা অখন্নবা আধার সার্ভিস কেম্প পাঙথোক্কদৌরি। মহাকা হায়- চহি ৭ তগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী ওইনা চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবা লেমা বাইওমেত্রিক অপদেট তৌগনি। মদুগী মখা তারকপদা তোখায়বা শেনফম লৌগনি।

চান্দেল (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট ফিসজরিজ ওফিসার চান্দেলনা শিন্দুনা চান্দেল অমসুং তেংনৌপল জিলাগী ওইনা ঙা য়োকপা পান্থশিংদা সরকারনা পীবা অতাবা মমলদা তোঙান তোঙানবা মখলগী ঙা মচাশিং ফংহনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট লেবেল ফিস সিদ ফার্ম অদুগী মতাংদা চান্দেল অমসুং তেংনৌপলগী দিষ্ট্রিক্ট ফিসজরিজ ওফিসার অঙোম মোমোনা হায়- জিলা অনি অসিগী ঙামীশিংদা ঙা মচাশিং অহোংবা মমলদা ফংহন্দুনা শেনমিৎলোন ফগৎহন্নবা পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

সটদাউন্দ (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী মনুং চন্না লৈবা সহৈবুং খুল মপাদা ঙরাং শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা লন্থীদা লাকপা গাড়ি অনিদা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা মীওই অহুম লৈখিদবা অদুগা অতোপ্পা মরিনা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন, জোমি ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন অমসুং মার ষ্টুদেন্ট এসোসিয়েসন্না

চুরাচান্দপুর জিলাদা মতম কক্তুবা সটদাউন ঙসিদগী হৌখ্রে। ঐখোয়গী চুরাচান্দপুর পাউনা হায়- সটদাউন অসিনা মরম ওইদুনা স্কুল, কলেজ অমদি কৈথেলশিং থোঙ লোন্নখি। হৌজিকমক্কী ওইনা পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউ লৈতে।

অমরোমদা, থৌদোক অসিগা মরী লৈননা কুকি ইনপি মনিপুরনা কৌখিবা পুং ৪৮ গী সটদাউন্দ চথুরি।

ঐখোয়গী কাংপোকপী পাউমীনা হায়-জিলা অসিদা স্কুল-কলেজ, দুকানশিং থোং হাংনখিদে, লম্বীদা গাড়ি চৎপগী চাং হন্থ্রে। নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদসু মাল পুবা গাড়িশিং চেনদ্রে।

এসআইআর ঃ ইলেক্সন কম্মিসন্না স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) ফেজ টু তাঙ্কক নাইনা রাজ্য ১৬ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ৩ দা পাঙথোকবা লাউথোকখ্রে। অহুমসুবা তাঙ্কক্তা এস.আই.আর পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্যশিং অদুদি- মণিপুর, অন্ধ্র প্রদেশ, অরুনাচল প্রদেশ, হরিয়ানা, ঝারখন্দ, করনাটক, মহারাষ্ট্র, মেঘালায়া, মিজোরম, নাগালেন্দ, উরিষা, পঞ্জাব, সিক্কিম, ত্রিপুরা, তেলঙ্গনা অমসুং উত্তরাখন্দনি। য়ুনিয়ন তেরিতোরি অহুম অদুনা- নেসনেল কেপিতেল তেরিতোরি ওফ দিল্লি, চান্দিগর অমসুং দদ্রা এন্দ নগর হভেল্লি অমসুং দমান এন্দ দিউনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ব্রিক্স মীফমদা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিংগী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগা নিউ দিল্লিদা উন্নখ্রে। রসিয়া, ইরান, সাউথ আফ্রিকা অমসুং ব্রাজিলগী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংনা প্রধান মন্ত্রিগা উন্নখি।

নুমিৎ নিনি চথুগদবা ব্রিক্সকী মপান থৌরম মন্ত্রিশিংগী মীফম ঙসিদগী হৌখ্রে। হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা হায়- মালেমগী ওইনা শান্তি অমসুং সেক্যুরিতিনা মরুওইবা হিরম অমা ওইরি। মহাকা হায়- হৌজিক থোক্লিবা চরাংনবশিং অসিনা ৱারী শান্নদুনা অমসুং কুতনিতিনা কয়া য়ামা মরুওইবগে হায়বদু তাক্লি। ডাঃ

জয়শঙ্করনা হায়- তেরোরিজমগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা পুন্না থেংনমিন্নবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী অপান্বনি। মীফম অদুদা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিংবু থাগৎপা ফোংদোকপগা লোয়ননা ব্রিক্স ফ্রেমৱার্ক মনুং চন্না অমনা অমবু মতেং পাংনবগী থবক মখা তানা চথবগী তঙাইফদবা লৈ।

অসাম ঃ  অসামদা মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা লুচিংবা সরকারগী মন্ত্রি মন্দলনা পায়গদবা ফমশিং রাজ্যপাল লক্সমন প্রসাদ অচারিয়ানা অয়াবা পীখ্রে।

লোক ভবনগী চেরোল অমনা হায়- মন্ত্রিশিংনা পায়গদবা বিভাগশিং মুখ্য মন্ত্রিনা পীশিল্লকখিবা অদু রাজ্যপালনা অয়াবা পীখ্রে। রামেশ্বর তেল্লিনা ত্রান্সফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্ট, লেবর ৱেলফ্যার, টি-ত্রাইবস অমসুং আধিবাসি ৱেলফ্যার পায়রগনি। অতুল বোরানা পঞ্চায়ট অমসুং রুরেল দিভলপমেন্ট, অসাম একোর্দ চৎনহন্নবা, বোর্দর প্রোটেক্সন এন্দ দিভলপমেন্ট অমসুং এক্সাইজ বিভাগ পায়রগনি। চরন বোরোনা ত্রান্সপোর্ট অমসুং ৱেলফ্যার ওফ বোরোলেন্দ পায়রগনি। শ্রীমতি অজন্তা নিয়োগনা ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট অমসুং তুরিজম বিভাগ পায়রগনি।

মরক অসিদা, অসাম সরকারনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ বিল, থা অসিগী ২৬ তা রাজ্য বিধান সভাদা পুথোক্লগনি। রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা মুখ্য মন্ত্রি-হিমন্ত বিশ্বস শর্ম্মনা হায়-অসাম বিধান সভাগী অখন্নবা মীফম অমা থা অসিগী ২১ দগী ২৬ ফাওবা পাঙথোকবা রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলনা ৱারেপ লৌরে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল (এল)ঃ  ওল মনিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না শিনদুনা লমলোং থোঙখোংদা লৈবা আর্টিফিসিএল তর্ব গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৬ শুবা অম্ফা সেনিয়ার ৱিমেন্স ফুটবোল লিগ ২০২৬-২৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-এফ.সি ইম্ফালনা আই.সি.এস.এ ইরেংবমবু পাঞ্জল ৮-০ দা থোইখি। অতোপ্পা

মেটচ অমদা য়ুথ ৱেলফ্যার ক্লব থম্বালখোংনা মণিপুর য়ুনাইতেদ এফ.এবু পাঞ্জল ৬-২ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ নোংচুপ কামেং য়ং জেনেরেসন ক্লবনা শিন্দুনা হৌজিক চঙখরিবা ১৩ শুবা সম্মরস স্পোর্টস মিট ভিলেজ ৱাইস ওপন ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবদা লমদেং অপুনবা, খুরখুল এফ.সি, অলৱেস ফ্রেন্দ ইম্ফাল অমসুং লোইতাং অপুনবা এফ.সিনা মখোয় মখোয়গী লম্বাশিংবু থোইখ্রে।

ফুটবোল (এল)ঃ অনিসুবা মাইচৌ শমুরৌ চিগোং ত্রোফি ভিলেজ ওপন ফুটবোল তুরনামেন্টকী এস.দি.সি গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা টু ব্রদর এফ.সিনা কৈনৌ এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা দ্রোসা ইন এফ.সিনা আরিয়ান এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ পি.টি.সি.সি পাৎশোইনা শিন্দুনা চঙখরিবা ৫ শুবা ষ্টেট লেবেল ইন্তর ভিলেজ মেন্স ওপন ফুটবোল তুরনামেন্ট ঙসিদগী হৌখ্রে। হৌদোকপগী মেটচতা পাৎশোই এফ.সি অমসুং সওম্বুং রিলিফ কেম্প পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ক্রিকেট ঃ মঙাশুবা এম.এন.সি.এ. বোইজ অন্দর ফোরটিন ৱান দে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা এস.এস.সি পোরোমপাৎনা ই.এস.য়ু ৱাংখৈবু ৱিকেট ৭ তা থোইখি।

মোদেল হয়ার সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা কে.এস.দি.ও ক্যামগৈনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্বু রন ৬০ দা থোইখি।

লমশাংগী তাউথোংদা লৈবা খুদৈবন্দ লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতনা-য়েসদান নিংথৌখোংনা পি.সি.সি ময়াইকোইবীবু রন ৮১ দা থোইখি।

খাঙবোক পার্ট থ্রি চেরাপুরদা লৈবা পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতনা- আর.সি.এ লিলোংনা সি.ৱাই.এস.এ খাঙবোকপু রন ২৬৬ তা থোইখি।

থৌবাল মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা- এ.এম.সি.এ থৌবালনা এল.সি.সি লমশাংবু রন ৭৩ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. অন্দর ফিফতিন গার্লস ৱান দে ট্রোফি-২০২৫-২৬ কী ঙসি সেদোক গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা শান্নখিবা মেটচতা- টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্না পি.সি.সিময়াইকোইবীবু রন ২৫ দা থোইখি।

থাংমৈবন্দ থাউ গ্রাউন্দদ শান্নখিবা মেটচতনা পি.টি.আর.সি পাৎশোইনা শগোলবন্দ য়ুনাইতেদপু রন ১৮৬ তা থোইখি।

------